# দিমনিটাইজেসনগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্তা চরাংনবা থোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২১ (এজেন্সী): ওপোজিসন পার্টিশিংনা অমত্তা ওইনা খুৎশম্নরগা দিমনিটাইজেসনগী মতাংদা গভর্ণমেন্টপু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপদগী ঙসি পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্তা চরাংনবা থোকখ্রে।

মীফম হেক হৌবগা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মেম্বর কয়ানা রাজ্য সভা অমদি লোক সভাদা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মশামক য়াওনা দিবেট তৌগদবনি হায়না তকশিল্লকখি। লোক সভাদা কোংগ্রেস অমদি অতোপ্পা ওপোজিসন পার্টি খরনা রুল ৫৬কী মখাদা দিমনিটাইজেসনগী ৱাফম দিবেট তৌগদবনি হায়না তকশিল্লকখি।

রাজ্য সভাদা ওপোজিসন লীদর ঘুলাম নবি অজাদনা হায়খি মদুদি, সেপ্টেম্বর ১৮দা টেররিষ্টশিংনা য়ুরিদা এটেক চথরকপদা শিখিবা মী মশীংদগী দিমনিটাইজেসন্না মরম ওইরগা শিহনখিবা মীশিংনা য়াম্বা হেল্লি। হীরম অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা ওপোজিসন তানরম্বা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মমাঙদা তৃণমুল কোংগ্রেসকী মেম্বরশিংনা দিমনিটাইজেসনগা মরী লৈননা পার্লিয়ামেন্ট মনাক্তা প্রোটেষ্ট দেমোন্সট্রেসন চথখি। খোঙজং অদুদা পার্টিগী এম পি দেরেক ও ব্রেন অমদি সুদিব বন্দিওপধিয়াই য়াওখি। মমাঙ চয়োলদা তৃণমুল কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবী ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা প্রসিদেন্ট প্রনব মুখর্জি উনদুনা শেনয়েক অনী চৎনহন্দবগী থৌরাং খোঙফম হন্দোক্কদবনি হায়না তকশিনখি।

অমরোমদা, দিমনিটাইজেসনগা মরী লৈননা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্তা চরাংনবা থোকখিবগা ইরোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা সিনিয়র কেবিনেট মিনিষ্টরশিং উনদুনা হীরম অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে। ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না পার্টি অসিগী রাজ্য সভা মেম্বর খূদিংমক ঙসিদগী হৌরগা নুমিৎ ৩নি হাউসকী মীফমদা শোয়দনা শরুক য়ানবা হ্বিপ জারিবা লৈখ্রবনি। সেন্টরনা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপীগী নোট চৎনহনখিদবগী মতাংদা ওপোজিসন্না অকনবা ৱাফম ফোঙদোরকপদগী ইরাই নুমিত্তা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক য়ৈথোকখিবনি।

রাজ্য সভাদা ঙসি মীফম হেক হৌবগা ওপোজিসন্না দিমনিটাইজেসনগী মতাংদা স্লোগান কয়া লাউরকপদগী মীফম মখা চথবা য়াদদুনা পুং ৩ ফাওবা মীফম য়ৈথোকপা তাখি।

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর রেলৱেজ রাজেন গোহেননা কানপুরদা ট্রেন এক্সিদেন্ট থোকপদা মীওই ১৪০ শিখিবগী মতাংদা ষ্টেটমেন্ট অমা পীনবা থৌরাং তৌরকপদা ওপোজিসন্না দিমনিটাইজেসনগা মরী লৈননা স্লোগান লাউরকপদগী মীফমদা অপনবা থোকখি। লঞ্চ মতুং নুংথিল পুং ২ তাবদা হাউসকী মীফম অমুক হৌরকপদা কোংগ্রেস, তৃণমুল কোংগ্রেস, সী পি আই (এম) অমদি বহুজন সমাজ পার্টিনা গভর্ণ-মেন্টকী মায়োক্তা স্লোগান কয়া লাউবা হৌরকখি। দেপ্যুটি চ্যেরমেন পি জে কুরিয়ননা ওপোজিসনগী মেম্বর খূদিংমক পূক্নিং ফাথনা লৈবিনবা আপিল তৌখিবগা লোয়ননা মিনিষ্টর গোহেনবু ট্রেন এক্সিদেন্টকী মতাংদা ৱাফম খরা ফোঙদোক্নবগী তাঞ্জা পীবিনবা হায়জখি।

মতাং অদুদা ওপোজিসন্না হায়খি মদুদি, ট্রেন এক্সিদেন্টকী ৱাফম অসি অরাইবা নত্তে। অদুম ওইনমক গভর্ণমেন্টনা কেবিনেট মিনিষ্টরবু হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেটমেন্ট পীহনবগী মহুত্তা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটনা ষ্টেটমেন্ট পীবা য়ানিংদে।

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটনা ট্রেন এক্সিদেন্টকী মতাংদা ৱারোল পীবা হৌরকপদা ওপোজিসন্না মখা তানা স্লোগান লাউবা হৌরকখি। মতাং অদুদা হাউসকী মীফম মখা চথবা য়াদবা মরম্না নুংথিলগী পুং ৩ ফাওবা মীফম য়ৈথোকপা তাখি।

ওপোজিসনগী অপাম্বদি প্রাইম মিনিষ্টর মশামক য়াওনা হাউসকী মীফমদা দিমনি-টাইজেসনগী মতাংদা দিবেট তৌবনি।

# ট্রেন এক্সিদেন্টতা শিখিবা মীশীং ১৪৫ শুখ্রে, এফ আই আর রেজিষ্টর তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২১ (এজেন্সী): কানপুর মনাক্তা ইন্দো-পত্না এক্সপ্রেস ট্রেন এক্সিদেন্ট থোকখিবগী মতাংদা রেলৱে মিনিষ্টর সুরেশ প্রভুনা ঙসি লোক সভাদা ষ্টেটমেন্ট পীখ্রে।

ফোরেন্সিক ইনক্বারি চথদুনা ট্রেন এক্সিদেন্ট থোকখিবগী চপ চাবা মরম খঙদোক্নবা য়াথং পীখিবগা লোয়ননা মরাল লৈরম্বা মীওই পূম্নমক মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

সুরেশ প্রভুনা হায়খি, ফোরেন্সিক ইনক্বারি চথবা হৌখ্রবনিনা ট্রেন এক্সদেন্ট থোকখিবগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙম্লগনি। মখা তানা মী কনবা অমদি মতেং পাংবগী থবক পায়খৎখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা লৈখিদ্রবা মীওই পুন্না ১৪৫ শুরে হায়বা খঙলে। লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা ১২৩দি মশক মমিং খঙবা ঙম্লে।

উত্তর প্রদেশ পুলিসকী দিরেক্টর জেনরেল জাবিদ অহমদনা হায়খি, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা কানপুর মনাক্তা ইন্দো-পত্না এক্সপ্রেসকী কোচ ১৪ টালিদগী নান্থদুনা এক্সিদেন্ট থোকপদা মীওই ২০০ হেন্না অশোক-অপন নংখি। নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)কী টিম মঙানা রেলৱে অমদি আর্মী পার্সনেলশিংগা লোয়ননা মী কনবা অমদি মতেং পাংবগী থবক পায়খৎলি।

থৌদোক অদু কমদৌনা থোকখিবগে হায়বগী মতাংদা দিরেক্টর জেনরেলনা হায়খি, নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ তাবদা পত্না তম্না চেনগদবা ট্রেন অদুগী কম্পার্টমেন্ট খরা টালিদগী নান্থখিবদগী লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। এস-ৱান, এস-টু, এস-থ্রি অমদি এস-ফোর কোচশিং ফীভম থিনা শোক্লে।

অমরোমদা, রেলৱেগী সোর্ছ পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, ট্রেন টালিগী শরুক খরা তেকপদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। অদুম ওইনমক হৌজিক হৌজিক চথরিবা ইনক্বারিগী রিপোর্ট ফংলবা মতুংদা এক্সিদেন্ট থোকখিবগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙম্লগনি।

চহী অসিগী ওইনা খ্বাইদগী তমথিবা এক্সিদেন্টকী থৌদোক অমদা ঙরাং কানপুরগী পুখ্রয়ান মনাক্তা ইন্দো-পত্না এক্সপ্রেসকী কোচ ১৪ টালিদগী নান্থরকখিবনি। ইন্দিয়ন রেলৱেজনা ট্রেনগী ফীভম ফগৎহন্দুনা ট্রেনদা চখোক চৎশিন তৌবদা খুদোং চাহন্নবগী মতাংদা থৌরাং কয়া লৌখৎপা হৌরে হায়না লাউথোকখিবগা মপা চান্নना লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংদা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রে। রেলৱে মিনিষ্টর সুরেশ প্রভুবু থৌদোক থোকফমদা হকথেংননা চত্তুনা ফীভম য়েংশিন্নবা প্রাইম মিনিষ্টরনা খঙহনখি।

পত্না-ইন্দোর এক্সপ্রেস এক্সিদেন্ট থোকপগী থৌদোক অদু লাইবক থিবনি হায়না পল্লদুনা মধ্য প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহানना থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মিনিষ্ট্রি ওফ রেলৱেজনা থৌদোক অদুগী মতাংদা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন চথনবা খঙহনখ্রে। ট্রেন এক্সিদেন্ট থোকখিবা অদুনা মরম ওইরগা অতোপ্পা ট্রেন কয়ামরুম লম্বী থৈদোক্লগা চেনখি। মরুওইনা ঝানশি-লখনৌ ইন্টর সিটি এক্সপ্রেস লম্বী থৈদোক্লগা চেনখি। ঝানশি-কানপুর পেসেঞ্জর ট্রেনদি কেন্সেল তৌখি।

য়ু পিগী এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (লো এন্দ ওর্দর) দলজিৎ সিংহ চৌধুরিনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা মীওই ১০০ রোম শিবগী রিপোর্ট ফংলে হায়রি। মরাইবক থিরবা ট্রেন অদুগী কোচ ১৪ টালিদগী নান্থখিবা মরম্না মীশি-মীনা থোকখিবনি।

# দিফেন্স মিনিষ্টরনা আই এন এস চেন্নাই ইন্দিয়ন নেভিদা খুৎশিন্নখ্রে



মুম্বাই, নবেম্বর ২১(এজেন্সী): গাইদেদ মিসাইল দেষ্ট্রোয়ার ইন্দিয়ন নেভেল শিপ (আই এন এস) চেন্নাই খুৎশিন্নখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন নেভিগী মপাঙ্গল কনখৎহনখ্রে।

মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পারিকারনা আই এন এস চেন্নাইবু ইন্দিয়ন নেভিদা খুৎশিন্নখি। ৱেষ্টর্ন নেভেল কম্মান্দগী ফ্লেগ ওফিসার কম্মান্দিং ইন চীফকী মীৎয়েংখাদা মথৌ তৌগদবা আই এন এস চেন্নাইনা ইন্দিয়ন নেভিগী মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা য়েক্নবগা মায়োক্নবদা চাউনা মতেং ওইনরগনি হায়রি।

মুম্বাইগী মজাগাউন দোক শিপ-বিল্ডর্স লিমিটেদনা শাবা মিসাইল দেষ্ট্রোয়ার অসিগী অশাংবা মিটর ১৬৪নি অমসুং অরুম্বনা টন ৭,৫০০নি। সুপরসোনিক ব্রহ্মোশ মিসাইল অমদি বরাক-৮ মিসাইল য়াওবা জহাজ অসিনা য়েক্নবগী মথক্তা লান্দাবগা লোয়ননা য়েক্নবনা লান্দারকপা মতমদা ঙাকথোক্নবগী টেক্নোলোজি কয়াসু য়াওরি। জহাজ অসিদা ইন্তিগ্রেটেদ শিপ দেটা নেটৱার্ক, কম্বেট মেনেজমেন্ট সিষ্টেম, ওটোমেটিক পাৱর মেনেজমেন্ট সিষ্টেম অমদি ওকজিলারি কন্ট্রোল সিষ্টেমনচিংবা য়াওরি। কুমজা ২০১৪গী ওগষ্ট ১৬তা আই এন এস কোলকাটা কৌবা চপ মান্নবা মখলগী জহাজ অমা ইন্দিয়ন নেভিদা খুৎশিন্নবা লৈখ্রবনি। কুমজা ২০১৫গী সেপ্টেম্বর ৩০দনা আই এন এস কোচি খুৎশিন্নখি।

# ‘য়েক্নবা হেক উবগা নোংমৈ কাপ্নবা য়াথং পীখ্রে’



পনাজি, নবেম্বর ২১(এজেন্সী): দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পারিকারনা হায়খ্রে, কাশ্মীরদা লৈরিবা আর্ম ফোর্সেসতা য়েক্নবা হেক উবগা নোংমৈ কাপ্নবগী য়াথং পীখ্রে।

টেররিষ্টশিংনা কাপ্লকপা নোংমৈ মরুনা পানবদগী শিদ্রিঙৈদা য়েক্নবা তম্না নোংমৈ হান্না কাপকদবনি হায়না লান্মী খূদিংমক্তা খঙহনখ্রে।

ভাস্কোদা পাঙথোকখিবা বি জে পিগী ইলেক্সন রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙখিবদা পরিকারনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমনা মেছিন গন নৎত্রগা পিষ্টল পায়দুনা লাক্লবদি লান্মীশিংগা ৱারী শানবা লাকপা নত্তে হায়বা ময়েক শেংনা খঙগদবনি। মরম অদুনা খুৎলাই পায়বা মীওই অমা হেক উবগা নোংমৈ কাপকদবনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্টরগী থৌ হেক পুবা হৌখিবগা লান্মীশিংদা পাউতাক পীদুনা লাকখি।

কাশ্মীরদা আর্মীনা টেররিষ্টশিংগা মায়োক্নবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থেংনরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, সেন্টরদা কোংগ্রেসনা গভর্ণমেন্ট পায়রিঙৈদা টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপ্লক্ত্রিবমখৈদি খুৎ থারোইদবনি হায়না লান্মীশিংদা পাউতাক পীখি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্ট হেক লাকপদগী লান্মীশিংদা নোংমৈ কাপ্নবগী য়াথং পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপীবা মরম্না লান্মী খূদিংমক মথৌনা লৈনা থবক পাঙথোকপা ঙম্লে।

পাকিষ্টান্না সিজ ফায়রগী কাঙলোন থুগাইদুনা ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপশিল্লকপগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপ্লকপা মীওইশিং হাৎনবগী মতাংদা লান্মীশিংনা দিফেন্স মিনিষ্টরগী য়াথং ঙাইদুনা লৈবগী মথৌ তাদে। য়েক্নবগী খুত্তা থৱায় থাদ্রিঙৈদা য়েক্নববু হান্না হাৎতোক্নবা লান্মী খূদিংমক্তা মাঙজৌননা খঙহনবা লৈখ্রে।

চৈরকসিদা, পাকিষ্টান্না জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী রাজোরি সেক্টরদা ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী জৱান অমা শিরে অমসুং অতোপ্পা অহুম অশোক-অপন নংলে।

আর্মীগী সোর্ছ অমনা হায়খি, রাজোরি দিষ্ট্রিক্তা পাকিষ্টান্না নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বি এস এফকী হেদ কন্সটেবল রাই সিংহ লৈখিদ্রে। থাংজ নুমিত্তগী ঙসি ফাওবদা পাকিষ্টান্না অহুল্লক হন্না সিজ ফায়রগী কাঙলোন থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। ইন্দিয়ন আর্মীনসু চপ চাবা পাউখুম পীদুনা পাকিষ্টানলোমদা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিনখি।

হন্দক্তসু পাকিষ্টান্না লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) মনাক্তা লৈবা নাওসেরা অমসুং সুন্দরবানি সেক্টরদা মীচম তাবা মফমদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বি এস এফকী জৱান অমা অমসুং নুপী অমা অশোক-অপন নংবা লৈখ্রবনি। থৌদোক অদুদা য়ুম অনীসু অমাঙ-অতা থোকখি।

থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা পাকিষ্টানি আর্মীনা নাওসেরা সেক্টরদা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি। নুমিৎ অদুগী নুংথিলদনা সুন্দরবানি সেক্টরদা লৈবা ইন্দিয়াগী বোর্দর পোষ্ট অমদি মীচম তাবা মফমশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

পাকিষ্টান্না হৌজিক ফাওবদা চথরকখিবা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক ২৮৬তা সিক্যুরিটি পার্সনেল ১৪ য়াওনা মীওই ২৬ শিবা লৈখ্রবনি।

# নবেম্বর ১০দগী ১৮ ফাওবদা ক্রোর লাখ ১.০৩ লৌথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২১(এজেন্সী): নবেম্বর ১০দগী ১৮ ফাওবদা মীয়াম্না বেঙ্ক অমদি এ টি এমশিংদগী লুপা ক্রোর লাখ ১.০৩ লৌথোকখি হায়না আর বি আইগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

আর বি আইনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, নবেম্বর ১৮ ফাওবদা মীয়াম্না বেঙ্কতগী লুপা ক্রোর ৩৩,০০৬ এক্সচেঞ্জ তৌখি অমসুং লুপা ক্রোর ৫,১১,৫৬৫ দিপোজিট তৌরকখি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মীয়াম্না মশা মশাগী একাউন্টতগী লুপা ক্রোর ১,০৩,৩১৬ লৌথোকখি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

নবেম্বর ৮গী অহিং নোংয়াইদগী লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী মখা তানা চৎনররোই হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা আর বি আইনা শেল শিন্দোক্নবা অমসুং থমজিন্নবগী মতাংদা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎখি। রিজার্ভ বেঙ্ক, কম্মর্সিয়েল বেঙ্ক, রিজনেল রুরেল বেঙ্ক অমদি অর্বান কোওপরেটিব বেঙ্কশিংদা শেল থমজিনবা অমদি শিন্দোকপা য়াহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি।

অমরোমদা, গভর্ণমেন্টনা লৌখিবা অখন্নবা থৌরাং অমগী মখাদা লৌমীশিংনা মহৈ-মরোং উনবগী মরু লৈবদা হান্নগী চৎনখিদ্রবা লুপা ৫০০ চৎপী নোট শীজিন্নবা য়াগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, লৌমীশিংনা সেন্ট্রেল নৎত্রগা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট, ষ্টেটনা চলাইবা ইন্টরপ্রাইজ নৎত্রগা নেসনল নৎত্রগা ষ্টেট সীদ কম্পেনিশিং অমসুং এগ্রীকলচরেল য়ুনিভর্সিটিশিংদগী অরিবা শেনয়েক পীরগা মহৈ-মরোং হুন্নবা মরু লৈবা য়াগনি। মহৈ-মরোং থাবগী মতম য়ৌশিল্লকপগা ইরোয়ননা লৌমীশিংগী খুদোংচানবগীদমক গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

# ‘কুমজা ১৯৯০দা উলফানা পাকিষ্টান্দা ট্রেনিং তৌখি’



গুৱাহাটি, নবেম্বর ২১(এজেন্সী): কুমজা ১৯৯০গী পরিংদা য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (উলফা)গী কাদর কয়ামরুম পাকিষ্টান্দা চত্তুনা ইন্টর সার্বিসেস ইন্টলিজেন্স (আই এস আই)গী মতেং লৌরগা ট্রেনিং তৌখি হায়না এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোকখ্রে।

ফেথ, য়ুনিটি, দিসিপ্লিন: দ আই এস আই ওফ পাকিষ্টান কৌবা লাইরিক অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, কুমজা ১৯৬০গী অঙনবা শরুক্তা পাকিষ্টানগী আই এস আইনা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটতা লৈবা লালহৌলূপশিংগা নক্নবা মরী থম্নখি। মতমদুদা পাকিষ্টান্না নাগা মিলিটেন্টশিংদা খুৎলাই কয়ামরুম পীখি হায়রি।

কুমজা ১৯৯০দা নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সীল ওফ নাগালেন্দ (এন এস সী এন) অমসুং য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (উলফা)না ধকাদা লৈবা পাকিষ্টান এম্বেসিগী খুথাংদা আই এস আইগা পাউ ফাওনদুনা অনৌবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা হৌখি। কুমজা ১৯৯১গী জন্যুৱারীদা আই এস আইগী মতেং লৌরগা উলফাগী লূচিংবা কয়ামরুম পাকিষ্টান্দা চত্তুনা লালহৌলূপ অসিগী কাদরশিং ট্রেনিং তৌহন্নবগী মতাংদা য়ানচে সাইন তৌনখি।

ধকাদা লৈবা পাকিষ্টান এম্বেসিনা অৱাং নোংপোক্কী লালহৌবশিংদা অশাবা পাসপোর্ট অমদি জালি নোট কয়া খুৎশিন্নবগা লোয়ননা পাকিষ্টান্দা বেসিক মিলিটরি ট্রেনিং তৌহনখি হায়না লাইরিক অদুনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৯১দা কম্বোদিয়াদা খমের রুজ রেজিম তুখ্রবা মতুংদা আই এস আইনা থাইলেন্দদগী লাইট মেছিন গননচিংবা খুৎলাই কয়ামরুম পুরক্লগা এন এস সী এনগী মেম্বর ২৪০দা খুৎশিন্নখি হায়রি। মতৌ অসুম্না ধকাদা লৈবা পাকিষ্টান এম্বেসিবু আই এস আইগী মরুওইবা ষ্টেসন অমা ওন্থোকখি।


## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DEPARTMENT OF TAXES

**NOTIFICATION**

Imphal, the 18th Nov., 2016.

No.Tax/4(53)/GST-NOTN/2016/216 : It is hereby notified for information of all concerned more particularly all the registered dealers under the Manipur Value Added Tax (MVAT) Act, 2004, whose Income Tax Permanent Account Number (PAN) have already been validated with Central Board of Direct Taxes (CBDT) that their existing VAT data will be migrated to Goods and Services Tax Network (GSTN) Portal w.e.f. 30th November to 15th December, 2016 as a requisite preparedness for switching over to GST regime. In this data migration process, all PAN validated dealers shall be allotted provisional user ID & Password (P/W). By using this ID & P/W, they will be allowed to enroll into GSTN portal (www.gstsystems.co.in). Mandatory requirements for such migration are given below:

A. Information required for enrolment:
   (i) *Valid Email Address.*
   (ii) *Valid Mobile Number.*
   (iii) *Bank Accounts Number.*
   (iv) *Bank IFSC.*

B. Documents required to be uploaded:
   (i) *Proof of Constitution of Business:*
      a. *In case of Partnership firm: Partnership Deed of Partnership Firm (PDF and JPEG format in maximum size of 1MB)*
      b. *In case of Others: Registration Certificate of the Business Entity (PDF and JPEG format in maximum size of 1MB)*
   (ii) *Photograph of Promoters/Partners/Karta of HUF (JPEG format in maximum size of 100 KB)*
   (iii) *Proof of appointment of Authorized Signatory (PDF and JPEG format in maximum size of 1 MB)*
   (iv) *Photograph of Authorized Signatory (JPEG format in maximum size of 100 KB)*
   (v) *Opening page of Bank Passbook/Statement containing Bank Account Number of <Account Number>, Address of Branch, Address of Account holder and few transaction details (PDF and JPEG format in maximum size of 1 MB).*

2. Now, in view of the above, all concerned registered dealers are hereby requested to keep all such required documents/information in readiness prior to actual date of commencement in order to enable data migration satisfactorily at the earliest.

3. Further, if the registered dealer/person desires to authorize to any person to receive user ID & P/W, he/she shall apply in the sample authorization letter format uploaded in the www.manipurvat.gov.in. For effective data migration, FAQ in this regard is being uploaded soon at this website. Any communication/clarification etc sought in this connection should be through valid e-mail ID, valid mobile number and Bank Account Number should be quoted.

Sd/-
T. Ranjit Singh
Commissioner of Taxes, Manipur

HL-B/3487/22



লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থৱক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোন্থা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3341/03/11-02/12